# সী পি আই-এম অমসুং কোংগ্রেসকী মতমদা ত্রিপুরাগী মীয়াম নুংঙাইবা ফংখিদে : সর্বনন্দ সোনোৱাল



অগরটালা, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা লৈরিবা মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবা থল্লিবা অসি পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী খল্লগা পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমদি মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকপগীনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমনা চহী ৪০ রোম লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমা নোংমতা ফংবা ঙমখিদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলগী মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ত্রিপুরাদা করপসন, ভাইওলেন্স অমসুং নুপী অঙাংদা চথবা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী অচৌবা চৈথেং অমসু ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসি চাওখৎপরোমদা চঙশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী ষ্টেট অসিদা মহৌশাগী ওইবা ঈং তপ্পা পুন্সি মহিং অমদা মীয়াম্না হিংবা ঙল্লে। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা করপসন অমদি ভাইওলেন্সকী থবক থৌওং কয়া মপুং ফানা থিংবা ঙমখ্রে। নুপীদা চথবা ক্রাইমগী মশিং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থহনবা ঙল্লে। মসিনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাগী মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবা থমদুনা পৱার শিন্নরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ত্রিপুরা খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা লৈরমখিবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমত্তনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মায় পাক্না পায়খৎপা ঙল্লমদে। মসি মখোয়গী পোলিসি প্রোগ্রামদা অশোয়বা কয়া লৈবননি। অদুবু সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক কয়া মায় পাক্না পায়খৎখ্রে হায়রি।



চান্দেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সাইটতা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা লুচিংবা টিম অমনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবা

# নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনবগীদমক পুন্না মীরেপ চে ২২৫ পীশিল্লকখি





কোহিমা, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইনবগীদমক পুন্না মীওই ২২৫ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি হায়না ইলেক্সন ওফিসতগী ফংবা ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না, তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ১৩ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা পুন্না মীওই ২২৫ না মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিল্লকখিবনি। সিট ৬০ অসিগী মনুংদা মোন এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পুন্না মীওই ৩৯ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি। হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা ৫ না ষ্টেন্দবাইনি। মোন ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা মীরেপ চে খ্বাইদগী হেন্না পীশিল্লকখিবা এ সিনা মকোকচুংনি। মকোকচুংদা মীরেপ ওইনবগীদমক পুন্না মীওই ৩২ না মীরেপ চেশিং পীশিল্লকখি। নাগালেন্দ মীখলদা পুন্না কেন্দিদেট ২২৫ না নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবগী মনুংদা ২৫ দি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক রুলিং পার্টি ওইরিবা এন ডি পি পি অমদি বি জে পিনা মথং শিংনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ অমসুং ২০ দা মীরেপ চেশিং পীশিনখি। অদুগা নাগালেন্দ কোংগ্রেসনা পুন্না কন্সটিট্যুয়েন্সি ২৫ দা মখোয়গী মীরেপ চে পীশিনখি। এন পি এফকী ওইনা মীরেপ ২২, এল জে পি-আরগী মীরেপ ১৭, এন পি পিগী ১২, এন সি পিগী ১১, আর পি আইগী ৮, জে ডি-য়ুগী ৮, আর জে ডিগী ৪, আর পি পিগী ১ অমসুং সী পি আইগী ১ নোমিনেসন ফাইল তৌখি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা থাসিগী ১০ দা ওইগনি। থা অসিগী ২৭ তা মীখল পাঙথোক্লবা মতুং মথং থাগী ২ দা ভোৎ মশিং থিগনি হায়রি

# লালহৌবগী থবক থৌওংনা অসামদা মীওই লিশিং নিপান হেন্না শিহনখিঃ ডি জি পি

গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): হৌখিবা চহি ৩৫ রোম অসিদা অসামদা লালহৌবশিংনা থোকহনখিবা পামদবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা মীওই লিশিং ৮ হেন্না শিহনখি হায়না অসামগী নৌনা ডি জি পি ওইনা থৌ পুরকখ্রবা জি পি সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ৱাই ২০ সম্মিটতা ৱা ঙাংদুনা অসামগী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জি পি সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা ইন্সর্জেন্সিগী ওইবা থবক থৌওংশিং মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎলবসু মায় পাক্না থিংবা ঙমদ্রি। অদুবু হৌখিবা চহি ডিকেট অমরোম অসিদা অসাম পুলিসনা চথুরকপা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেমশিং য়াম্না হন্থহনবা ঙল্লে। অসামদা মহৌশাগী ওইবা ঈং-তপ্পা পুন্সি মহিং অমদা মীয়াম্না হিংবা ঙম্নরে। অমরোমদা অসামদা ইন্সর্জেন্সিগী ওইবা থবক থৌওংশিং থোকপগী চাং হন্থখিবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুক খরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট লৌথোকপা হৌখ্রে। অসামগী শরুক খক্তদা হৌজিক অফস্পা লৈরি। হায়রিবা অফস্পা লৈরিবা শরুকশিং অসিদগী অথুবা মতমদা এক্ট অসি লৌথোকখিনবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৈঙাক অমদি পুলিসকী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনবা মথৌ তাই হায়রি।

# চহি নৌরিবা অঙাং অনি হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে

বোঙ্গাইগাওন, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): অসামগী বোঙ্গাইগাওন ডিষ্ট্রিক্টতা চহি নৌরিবা অঙাং অনি হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম পুলিসনা ফারে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোঙবা ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, ফারবা মীওই অহুম অদু ইমুং অমত্তদগীনি। অব্দুল বাসির অহমদ কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেইন অমগী মতুং ইন্না পুলিসনা মীওইশিং অদু ফাখিবনি। থা অসিগী ১ অমসুং ২ গী লোন্নবা অহিংদা মশাগী চহি ১৬ অমসুং ১৪ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অনি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা হাৎখি হায়না অহমদনা মহাক্কী কমপ্লেইন অদুদা পল্লি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা পুলিসনা মখা তারকপা ওইনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অসিগী ময়াম্বশিং থোকপা অমা হান্না ফাখি। মদুগী মতুং অতোপ্পা চেন্নবা মীওই ২ মখা তানা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

# এন পি পিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা টি এম সিনা তকশিনখ্রে

ফুলবারি, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): মেঘালায়াগী ফুলবালি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা চরবাতাপারাদা ষ্টেট অসিদা রুলিং পাটি ওইনা এন পি পিগী ৱার্করশিংনা মেঘালায়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংদা এটেক্ট চথখি হায়না মরাল শিরদুনা এন পি পিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

মেঘালায়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১০:৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। টি এম সিগী ৱার্কর নোজরুল হককী ময়ুমদা এন পি পিগী ৱার্কর খরা লাক্তুনা এটেক্ট চথরকখিবনি। এন পি পিগী ৱার্করশিং অদুনা হককী ইমুংদা লৈবা টেবল, চৌক্রি অমদি অতোপ্পা পোৎলম কয়া মাঙহন-তাকহনখিবগা লোয়ননা মহাকপুসু তমথিনা ফুরমখি। মদুনা মরম ওইরগা টি এম সি ৱার্কর হক হৌজিক হৌজিক ফুলবারি সি ঐচ সি হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা ট্রিটমেন্ট চথরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা এফ আই আর লোদজ তৌখ্রে হায়রি।

# ইল্লিগেল কোল মাইনিং থিংনবগীদমক সেন্ট্রেল ফোর্সশিং ডিপ্লোই তৌগদবনিঃ হায় কোর্ট



সিল্লোং , ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সি): মেঘালায়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবকশিং পাক-শন্না চথরিবা অসি থিংনবগীদমক সেন্ট্রেল আর্ম ফোসশিং ডিপ্লোই তৌবা মথৌ তাই হায়না মেঘালায়া হায় কোর্টনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী মতাংদা হিয়রিং চথরদুনা মেঘালায়া হায় কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবক থৌরমশিং অসি মপুং ফানা থিংনবগীদমক কোল মাইনিংগী থবক চথরিবা মফমশিংদা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) নৎত্রগা সেন্ট্রেল রিজর্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) ডিপ্লোই তৌবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবক থৌরমশিং থিংনবা থবক কয়া পায়খৎলবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। হান্নদগী হৌজিক্লা হেন্না ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবক চথরক্লি। মরম অদুনা সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সশিং কোল মাইনিং তৌরিবা মফমশিংদা ডিপ্লোই তৌদুনা য়েংশিলহনগদবনি অমদি ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবক খুদক্তগী থিংজিনগদবনি হায়না মেঘালায়া হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস সঞ্জিব বেনর্জিনা লুচিংবা ডিভিজন বেঞ্চ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, মেঘালায়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরু ওইনা ইষ্ট জাইন্তিয়া হিলস ডিষ্ট্রিক্টতা ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবকশিং পাক্তক্লনা চথরি। ষ্টেট অসিদা চথরিবা ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবকশিংদা মাইনর কয়া অশোক-অপন অমদি অশি-অনা থোকপা য়াওখ্রে। ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবকশিংদা ষ্টেট অসিগী মশক নাইবা মীওইশিং চেন্নরম্বা য়াই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। অমরোমদা কোল মাইনিংগী থবক্তা ষ্টেট পুলিস ফোর্সকী মীওই ২০ চেন্নরম্বগী থৌদোক থোকখিবা লৈরে।

## CROSSWORD-3783



**ACROSS**

1. Dilapidated(10)
7. Amount(8)
8. Sluggish(4)
9. Pavement edge(4)
10. Dirigible(7)
12. Ungenerous behaviour(11)
14. Attack(7)
16. Cease(4)
19. Military vehicle(4)
20. U.S. state(8)
21. Near thing(5,5)

**DOWN**

1. Lorry(5)
2. Dog of mixed breed(7)
3. Den(4)
4. Natural illumination(8)
5. Stinging insects(5)
6. Imitations(6)
11. Scoundrels(8)
12. Title given to a nun(6)
13. Baltic country(7)
15. Horrify(5)
17. Trophy(5)
18. In addition(4)

Solution 3782



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5081

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 3 | | 8 | 7 | | |
| | 3 | | 7 | | | | | 6 |
| 6 | | | | 2 | | | 5 | |
| 1 | | | | | | 4 | 6 | |
| | | | 9 | | 3 | | | |
| | 8 | 7 | | | | | | 5 |
| | 5 | | | 3 | | | | 1 |
| 3 | | | | | 5 | | 2 | |
| | | 8 | 1 | | 6 | | | 3 |

### Solution-5080

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 4 | 1 | 9 |
| 9 | 1 | 8 | 4 | 5 | 7 | 3 | 6 | 2 |
| 3 | 4 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 | 7 | 8 |
| 2 | 9 | 1 | 5 | 7 | 6 | 8 | 4 | 3 |
| 4 | 5 | 3 | 1 | 8 | 2 | 6 | 9 | 7 |
| 6 | 8 | 7 | 3 | 4 | 9 | 2 | 5 | 1 |
| 7 | 6 | 4 | 2 | 9 | 8 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 3 | 9 | 6 | 1 | 5 | 7 | 2 | 4 |
| 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 4 | 9 | 8 | 6 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR MEDICAL SOCIAL WORKER, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Job Location:
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 14 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 6 Posts
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 3 years
Salary 15800 - 32000(Per Month)
Posted on 23 Jan, 2023
Last Date To Apply 14-02-2023
Educational Qualification: B.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 15800 - 32000(Per Month)
Age Limit: Maximum 30 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates must apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR SCIENTIST-C, TECHNICIAN-C, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Scientist-C, Technician C, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Scientist C, Technician C, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Scientist-C, Technician-C, More Vacancies
Total Vacancy 3 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 4 years
Salary 20000 - 67700(Per Month)
Educational Qualification: MBBS
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 67700(Per Month)
Age Limit: Maximum 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates who are applying for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, must apply before the last date. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023.
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

